## এডিটোরিয়েল

# ভোটর লিষ্ট ইখৎলিবশিংগী অশোইবরা

ষ্টেট অসিদা মীকোক থীবগী থবকশিং চহি ১০–১০ খুদিংগী চখরকপা অসিদা অঙাং পোকপগী চাং অমসুং পোকপা য়াবগী চাং অদুদগী ফাওবা হেন্না ষ্টেট অসিগী দিষ্ট্রিক্ট খরদা মওং চাদনা মীশিং হেনগৎলি হায়বগী মতাংদা অচৌবা পোল্লেম অমা মমাঙদগী ওইদুনা লাকই। মসিদা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা এসেম্বলি কন্সটিট্যুয়েন্সি খরদা চানদবা মওংদা মীশিং হেনগৎলি হায়বগী ৱাহৌদা ঙসি ফাওবা হায়রিবা দিষ্ট্রিক্টশিং অদুগী মীশিং অদু মণিপুরগী অপূনবা মীশিং পীরকপা মতমদা মখোয় য়াওদনা হায়বা ক্লোজ অমা হাপ্লগা থল্লি। মসি য়েংশিন্নবা হায়বদি রিভিয়ু তৌনবা কয়ারক হন্না খঙহনখ্রবসু হৌজিক ফাওবা নাখে ইশেং শেংদবা মরমনা করিগুম্বা অকক্লবা মশিং অমত্তা হায়বা ঙমদ্রি। অমরোমদনা ভোটরশিং অসি ইম্ফালগী এরিয়া খরদা নৎত্রগা তম্পাক লমগী লৈরিবা এসেম্বলি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী ভোটর লিষ্টতা চনবগা লোয়ননা চপ মান্নবা ভোটর অদু মাগী মাগী লৈরিবা চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদসু অদুমক য়াওবগী থৌদোকশিং থেংনরবনি। মসিদগী মীওই অমনা মফম অনিদগী ভোট থাদবা য়াদনবা থৌশিল কয়া অমা পায়খৎলবা ফাওবদা অরানবা তৌবা মীওইশিংনা নম্না লৈবা ষ্টেট অসিদা শেমদোকপদা ৱানা থোক্লি নৎত্রগা শেমদোকপা ঙমদ্রি হায়না লৌফম থোকই। মসি মীকোক থিরিবা এন্যুমেরেটরশিং নৎত্রগা মশাগী ভোটিং রাইট ফংফম থোক্লে হায়না লৌবা য়াবা মীওইশিং অদুগী মমিং মথা ভোটর লিষ্ট চনশিনহন্নবা থৌদাং লৌরিবা মীওইশিং অদুগী অরানবরা নৎত্রগা মখোয়বু লান্না লমজিংলগা মীকোক থিবদা মশিং হেন্না হাপচিন্নবা নৎত্রগনা ভোটর লিষ্টতা মখোয় মখোয়গী ওইবা মীওইশিং অদুগী মমিং হাপতবা য়াদে হায়না কিহল্লকপদগী অশেংবা ষ্টেটসিগী মী মশিং অমসুং ভোটর মশিং খঙহনবা ঙমদবরা হায়বসিমসু ঙসিদি হংনিংঙাই ওইবা ৱাফম অমা ওইরে। হৌজিক থোরক্লিবা ৱাফম্না ষ্টেট অসিগী এসেম্বলি কন্সটিট্যুয়েন্সি ৬০ লৈবগী মনুংদা কন্সটিট্যুয়েন্সি ১৩ দা লৈরিবা মশিংদগী ভোটর লিষ্টতা চল্লিবা মীওইগী মশিংনা হেল্লে হায়বা ৱাফম অমা লাক্লিবসি তরাইনা লৌফম থোক্তে। হায়রিবা ফিভম অসি তাহল্লক্লবা হোৎনরিবা, নৎত্রগা লান্না ভোটর লিষ্ট এন্ট্রি তৌরিবা মীওইশিং অদুগী মথক্তা চপ চাবা এক্সন অমা মতম চারিঙৈসিদা লৌহৌবা ফরে। মদু নৎত্রগদি অরানবা মওং অমদা অদুমক চৎখিদুনা ষ্টেট অসিগী সোসিও–ইকোনোমিক্কী মতাংদা দাট্টাশিং কলেক্সন তৌবগী মতাংদা য়াম্না থিনা লানবা অমা শোয়দনা থোক্কনি। মীকোক থিবদা মশিং লৌরিবসি ইমুং অমদা লৈরিবা মীওইগী মশিং অমসুং মখোয়গী চহি অদুনি। চহি শুদবা মী অমত্তা ভোটিং রাইট ফংহন্দে হায়বসিমদি ইন্দিয়ান কন্সটিট্যুসন্না পীবা অর্টিকলদগী অদুমক খঙজরবা ঙাক্তনি। লুরিবদি হায়রিবা ইন্দিয়ান কন্সটিট্যুসনগী মতুং ইন্না পীরিবা হকশিং অদু চপ চানা শীজিন্নবসু লৈতে। চপ চানা শীজিন্নগে হায়বগী ৱাখল্লোনসু মীয়ামগী লুচিংবশিং মরক্তা লৈতে হায়বসি ওইরক্লিবা ফিভমশিং অসিনা অদুমক তাকচরবনি।

মতম কয়াগী মমাঙদা ভোটরশিংনা পঙলিঙৈদা মখোয়বু খঙহন্দনা ভোটর লিষ্টতা চলহনখিবগী মাঙজবা কয়া অদু ঙসি খক্তদা মীয়াম্না খঙলকপনি হায়না লৌবা তাই। মমাঙথক্তা লৈরম্বা মীয়ামগী লুচিংবশিংনা মখোয়গী মীৎয়েং শানখিদে অমসুং মশা মশাগী ইলেক্সন্দা মায় পাক্লবা হোৎনবদা নৌরিবা মীওই কয়া অমা চহি অদু হুরাল্লগা নমদুনা ভোটর লিষ্টতা চনশিনখিবদগী ঙসি ষ্টেট অসিদা মশাগী দেট ওফ বার্থ য়েংবা মতমদা স্কুলনা পীবা চহিগী চাং অদুগা থবক তৌরিবা মীওইশিং নৎত্রগা ভোটর লিষ্টতা য়াওবগী মতুং ইন্না চহি হেনগৎহনখ্রবা মীওইশিং অদুগী মতাংদদি চাওনা খেন্নবা অদুমক লৈরগনি। মসিদগী করম্বা সার্টিফিকেটনা অচুম্বা ওইগদৌরিবনো হায়বদু অমুক হন্না খন্নবা অমা দরকার ওইরি। হান্নদগী ওইরক্লিবা ফিভম অসিনা তাক্লিবদি মণিপুর অসি খ্বায়দগী হেন্না চেকশিন্দবা, মানা–মানা পাম্বা পম্বুং অদু ফংনবা হোৎনবদা লমদমসিগী সিটিজেনশিংগী হক অদু ফাওবা মাঙহনবদা তুজুংদবা মীয়ামগী লুচিংবশিংনা পিক থল্লে হায়বদু তাকপনি। মসিদা মাঙজগদৌরিবা অসি মশাগী এদুকেসনেল সার্টিফিকেটতা পীরিবা দেট ওফ বার্থ অদুগা ভোটর লিষ্টতা পীরিবা চহিগী চাং অদুগা খেন্নরকপা তারগদি হায়রিবা লন্নাই মীওইশিং অদুখক্তা ওইগনি। মসিগী মতাংদা ষ্টেট অসিদা লৈরিবা সিটিজেনশিংসু ৱাখল তাবগী মথৌ চঙই। করিগীদমক চহি শুদ্রিবা অঙাংশিং অমদি শিখ্রবা মীওই কয়াগী মিংসু অদুমক ভোটর লিষ্টতা য়াওহন্দুনা থল্লিবনো হায়বসিগী মতাংদা হংবা তারগদি পাউখুম পীগদৌরিবসি ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াগী মখাদা লৈরিবা ইলেক্সন দিপার্টমেন্টনা ওইগনি। মসিগী মথক্তা ভোটর লিষ্টতা চনহন্নবা হোৎনরিবা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা ষ্টেট অসিগী ঈ আর ও অমদি আর ও নচিংবা ওইরিবা হায়বদি থৌ পুরিবা মীওইশিং অদুনা চেকশিন্দবদগী হায়রিবা থৌওংশিং অসি খঙলকপনি হায়না লৌবদা লাল্লোই। হৌজিক্তি অচুম্বশিং অদু খঙননবা অকনবা এক্সন লৌবা তাবগী ফিভমদা লৈরে। মসিগা লোয়ননা অরানবা তৌরল্লিবা মীওইশিং অদুগী মথক্তা ষ্টেট গভর্নমেন্টনা এক্সন লৌদবা তারগদি য়াম্না চোপনিংঙাই ওইবা মখলগী অরানবা মীশিং অদু অদুমক লৈগনি। মদু ওইবা তারগদি ফুদ সেক্যুরিটি এক্টকী মখাদা ফাওবা মীয়ামদা য়েন্থোক্কদবা চিঞ্জাকশিং অদুগী চাং অদু ফাওবা খঙবা ঙল্লোই। করিগুম্বা খঙনা খঙনা হাপচিনবা মীশিং ওইবা তারগদি মীকোক থিরিবশিং অদুসু কৌখৎলগা কনানা খ্বায়দগী চাওবা মরাল লৈবগে হায়বদু থিদোকপা অমা তঙাইফদবা ওইরে হায়না হায়নিংই।

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### অমা তৌবদা অমা লোই হল্লোয়সি


*ইকায় খুম্নজরিবা এদিটর,*

ফীভম কাইথরক্লবা লম্বীশিংবু য়েংশিন্দুনা রিপ্যারিং তৌবা অমদি খরা হেন্না ফীভম চাদ্রবা লম্বীবুনা নৌহৌননা লোইশিনবগী থবক সরকারনা তৌরকপা উরি। মসিমক মতাং মতম চানা তৌরকপা মীয়ামগীদমক অফবা থবক অমনি। অদুমওইনমক থবক অমা মায় পাক্লা তৌবদা অতোপ্পা হীরম অমদা লোইহনবা হায়বসিদি য়াম্না লাইবক থীবনি। হৌজিক–হৌজিক কোইলাস থাবগী থবক লোইশিনখ্রবা লম্বী মতেক অমগী ফীভম করি ওইরি হায়বদু খন্নদুনা য়েংসি। নেসনেল হায়ৱেগীদি শরুক অমা ওইরিবা গভর্নর বঙ্গলোগী মমাঙদা থারিবা কোইলাস অসি লম্বীগী ওইনদি ফজনা শেম্বগী মমি তাই। অদুবু খরা কুপশিন্না য়েংবা মতমদদি পুক্লিং চিংশিন্নিঙাই ওইবা ৱাফম অমদি লৈতবা নত্তে। লম্বীসি নাকন্দা লৈরিবা খোঙবান্দা ঈশিং চৎফম থল্লিবা অহোবশিং অসি কোইলাসসিনা তঙ্খায় পুনজিনবা থেংনৈ। মফম খরদদি পুঙফুন ফুনশিনবসু থেংনৈ। নোংজু থা লাক্কদবা কুইদ্রে, অতৎ–অখম লৈতনা চুরকপা নোংগী ঈশিংনা অপিক–অপিকপা মখুলশিংদা চেম্থোকখিবগী মহুত্তা ঈশিংগী ভোল্যুমনা হেনখিদুনা ঈশিং ঈচাও থোক্লগদ্রা হায়বসি চিংনবা লৈ। হান্না লম্বীদা থারিবা কোইলাস অসি কোৎথোক্লগা নৌহৌননা অমুক নিংথিনা শেল্লম্লবদি মসি থোক্লমলোইদবনি। মরম অসিনা মরী লৈনবশিংনা অহেনবা মীৎয়েং চংহন্নিংই। থবক অমা ফজনা তৌরবসু অমদা শোকহল্লবদি মদু অফবা থবক কৌরোই হায়জনিংই।

অদোমগী
নোংপোকঙম্বা, উরিপোক।

# সত্য সাই বাবা কনানো ? মহাক্না অশুম্বা হায়রম্মী!

***মমাং শগোলশেলগী মখা....***



***২ঃ নুংশিবনা পুন্নমক্কী য়ুম্ফম্নি***

১২। ঈশ্বর! নুংশিবগী শক্তম লাংবনি হায়বসিদা চেৎনা থাজৌ। নহাক্না মায়া সংসারগী ওইবশিংদা নুংশিরিবা অদুনা ঈশ্বরগী নুংশিবদগী হেলহনগনু। ঈশ্বরদি অচুম্বা অমসুং মতম পুম্বগী ওইবা লেঙদবনি। নহাক্কী নুংশিবদু ঈশ্বরখক্তদা ওনশিল্লু। নুংশিবগী মওংদা ঈশ্বরদি মফম খুদিংদা লৈবনি। মসিদা নহাক চিংনবা পোক্কনু। নুংশিবগী ঈচেলদু নঙোন্দা তত্তনা অরেপ্পা লৈতনা চেলহনগদবনি। মদুতনা নহাক্না ঈশ্বরবু উবা ফংজগদবনি। নুংশিবগী নিয়মদি ৱাহৈনা ফোঙদোকপা ঙমদে। নুংশিবগী মরমদা শন্দোক্না তাক্লে হায়রিবশিং অদু অচুম্বা পোৎশক অদুগী পিকখ্রবা মওং অমখক্তনি। মরম অসিনা, নুংশিবা করিনো হায়বা শন্দোক্না তাক্লবা হোৎনবগী মহুত্তা, ঈশ্বরগী নুংশিবগী থৌজাল ফংবা য়াবা মীশক অমা ওইনবা হোৎনৌ। পিরকপা য়াই। নুংশিবনা নহাক্কী অরোয়বা পম্বুংনি। নুংশিবখক্তনা নহাক্কী পুন্সিবু শেঙহনবা ঙম্মী। অদুনা, নুংশিববু হেন্না হেন্না পাকথোক চাওথোকহল্লু। নুংশিবখক্তনা নহাকপু ঙাকপি শেনবিগনি। নহাক নুংশিবগী অমৃতগী ঈরিক অমনি। ঈরিক কয়ামরুম পুনশিল্লগা ঈচেল নাইনা চেন্থদুনা সমুদ্রদা তিল্লিবনি। অদুবু, ঙসিদি মীওইবনা অশেঙবা নুংশিবা করিনো খঙদ্রে। মহাক্না করিগুম্বা পোৎশক অমা পান্লবদি, মদুতমক নহাক্না নুংশি। অপাম্বা লৈরবদি নহাক্না পামদবসু লৈগনি। অদুগা অশেংবা নুংশিবদু লৈরবদি নঙোন্দা ওন্ন–তৈনবা ৱাখল্লোন কদৌনুংদা লৈরোই। নুংশিবদি ’হোঙবা নাইদবনি অমসুং মতম পুম্বগী ওইবনি। মসি ঈশ্বরনি। কৃষ্ণনা জগৎ ব্রহ্মান্দগী খ্বায়দগী পিকখ্রবা পোৎশক ফাওবদা পাক শন্না শন্দোক্তুনা লৈ। মহাক নুংশিবগী শক্তম লাংবনি। নুংশিবা লৈবা মফমদদি, খৎন–চৈনবা অমসুং লালগী ঈরাং লৈতে। নুংশিবনা শান্তি, চাওখৎপা, মায় পাকপা, য়াইফবা অমসুং লোম্বা নাইদবা নুংঙাইবা অদু ফংহল্লি। হায়রিবা মখোয়শিং অসি অমগা অমগা তোঙানবা নত্তে, নুংশিবগী তোঙান তোঙানবা মায়থোং ঙাক্লি।

১৩। ইলেক্ট্রিক বল্ব অমনা মীওই কয়ামরুমদা মঙাল পীবা ঙম্বগুম নুংশিবনা থুমহৎলবা থম্মোয় অমনা অতোপ্পা পুন্সি কয়াবু মঙাল পীবা ঙম্মী। চপ মান্নবা নুংশিবা অসিমক খুদিংমক্তা লৈরিবনি। ঐখোয় খুদিংনা থম্মোয় শেঙলবা মতমদা, অমত্তা ওইবা অমসুং ঈশ্বরগী মতিক মগুন অদু খঙবা ঙমগনি। নুংশিবা অসিমক অমত্তা ওইবগী য়ুম্ফম্নি। খুদিংমক অমগা অমগা মত খেন্নরিবা অসি নুংশিবা ৱাৎপননি অদুবু নুংশিবদি খুদিংমক্তা লোয়না লৈরিবনি। নুংশিবা লৈতবা জীব অমত্তা মালেমসিদা লৈতে। নুংশিববু শরুক য়ামিন্নবগী মহুত্তা ফৈ–ফত্তে হায়না অমগা অমগা চৈনরি। স্বামিগী পাউতাকঃ লিংজেল মান্নবা, পুকচেল শেঙবা অমসুং ঈশ্বর ফঙবা হায়বসি, থম্মোয় শেঙনা খুদিংমকপু সেবা তৌবনি “লিংজেল মান্নবা সেবা তৌ” অমসুং ঈশ্বরদা চংজৌ হায়বা ৱাহৈশিং অসিনা অর্থ মপুং ফাহল্লি।

১৪। নুংশিবনা জগৎ ব্রহ্মান্দ অসিগী য়ুম্ফম ওইরিবনি। নুংশিবা লৈত্রবদি মালেম পৃথিবী অমসুং মহৌশাগী খুৎশেমশু লৈরম্লোই। নুংশিবগী নিয়ম’খাদা পঞ্চভুৎকী পোৎশক মঙাবু চাং মান্ননা থমদুনা মালেম পৃথিবীবু হিংহল্লিবনি।



**লৈশাংথেম অচৌ (মণি)**

নুংশিবগী নিয়ম’খাদা নৎত্রবদি মখল কয়াগী লাইনিং পাংথোক্লবশু অরেম্বনি। অতৈ অতোপ্পা খন্দনা ঈশ্বরখক্তদা চঙজগদবনি। নহাক্কী হকচাংগী শরুক অমনি খন্দুনা নহাক্না নহাক্কী নচানুপাবু নুংশি। তশেঙবদি, নহাক্না নুংশিরিবা, নহাক্না য়েংথিনরিবা, নহাকপু ফৈ–ফত্তে হায়রিবা খুদিং নহাক্কী শরুক অমনি। নশাদা লৈরিবা নুংশিবগী নিয়ম অদুমক ঈশ্বরগী মহুৎ শীল্লিবনি। ঈশ্বর! নঙোন্দগী তোঙাল্লি খল্লিবা অদুমক মায়ানি। ব্রহ্মাবু মফম কৈদশু নহাক্না থিরুবগী দরকার ওইদে। নহাক ব্রহ্মানি, বিষ্ণুনি, শিবনি নশামক ঈশ্বরগী শক্তি অহুম অসি পুনশিল্লগা শক্তম লাংবনি।

১৫। পরিক্ষিত্তা নিংথৌ খুভম শিন্নরবা তুংদা, পাণ্ডব মচিল–মনাও মঙা অমসুং দ্রৌপতি মরৈপাক থাদোক্তুনা চৎননবগীদমক শেম শারম্মী। মখোয়না চৎখিগদবা অদুদা প্রজাশিংনা অকি তুজুংবা অমসুং পুক্লিং লাংতক্লনা মমিৎ উইশিল্লগা খাংদুনা লৈরম্মী। মদু উবদা দ্রোপতিনা হায়রম্মী, “ময়াম ৱাবিগনু, অৱাবা হায়বা অসি মীওইবগী খ্বায়দগী য়েক্লবনি। মমাগী নাওয়োমনুংদগী পোক্লকপশু অৱাবনি, মালেম অসি থাদোক্তুনা চৎখিবা–শিবশু অৱাবনি।” তুংদা লাক্কদবা হায়বা অসিনা ৱাননবগী মরম ওইহল্লি। তশেংনমক, মীওইবগী পুন্সি অৱাবনা পীক থল্লি। অৱাবশিং অসিদগী নাম্থোক্লবা অমত্তা ঙাইরবা লম্বীদি, ঈশ্বরবু নুংশিনা নীংজবনি। কৃষ্ণবু ভক্তি লৈনা নুংশিজরবদি, নখোয়গী অৱাবা খুদিং কোকপিগনি।” অদুদগী ধর্ম্মরাজনা প্রজাশিংগী নাক্তা চংলগা মখোয়গী মশাদা অকিবা ফাওদনবগীদমক থাজবা ফাওহল্লম্মী অমসুং হায়রম্মী, “প্রজা পুম্নমক, কৃষ্ণদি ঐখোয় খুদিংগা মতম পুম্বদা লোয়নদুনা লৈ। মহাক্না ঐখোয়বু ঙাকপি–শেনবিরিবনি অদুগা থৌদোক খুদিং মহাক্কী অনিংবগী মখা পোন্না শান্নবা লীলানি। মসি মীচম ঐখোয়গী খঙবগী ৱাংমদনি মরমদি ঈশ্বরগী অনিংবা, ৱাহৈনা ফোংদোকপা ঙমদবা, খঙবা ঙম্বগী ৱাংমদনি। মিৎনা উবা ঙমদ্রবসু ঈশ্বরদি জীব খুদিংদা পাক–শন্না শন্দোক্তুনা লৈরিবনি”। ধর্ম্মরাজগী থাজ ৱাহৈশিং অসিনা প্রজাশিংবু থাজবা অমসুং মথৌনা হাপ্পীরম্মী।

১৬। ঈশ্বরগী নুংশিবদি তোপ–তোপ্পনি অমসুং মসিগা মান্নবা অমা অমুক লৈতে। ঈশ্বরগী নুংশিবগা মীওইবগা মান্নদে। ঈশ্বরগী নুংশিবদি ’হোঙবা নাইদবনি। অশেঙবা নুংশিববু পাকথোক চাওথোকহল্লু, মদুদি থম্মোয় শেঙবনা লিংজেল মান্নবনি অদুগা লিংজেল মান্নবনা ঈশ্বর ফঙবনি। নশাগী ওইবখক্তদা নুংশিরিবা অদু ঈশ্বরগী ওইবা অশেঙবা নুংশিবদা ওন্থোকউ। অসিগুম্বা ঈশ্বরগী ওইবা নুংশিবা অসিনা নহাকপু ঈশ্বর ফঙহনগনি। করিগুম্বা মতমদা মীনা, ঈশ্বরগী অশেঙবা নুংশিবসিবু ’হোঙবা নাইৱা হায়না পুক্লিংদা চিংনবা ফাওই। নত্তে! ঈশ্বরগী নুংশিবদি কদৌনুংদা হোঙলোই। মসিদি ঈং–তপ্পা অমসুং য়াম্না শক্তি লৈবনি। মসি মতম পুম্বদা ’হোঙবা নাইদনা অদুম লৈগনি। থৌদোক অমদা ভক্ত অমখক্না মহাক্কী নুংশিবগী লীচিংনা মহাকপু চিংশিনবগী মরমদা স্বামিনা ৱারি অমা লীবিরম্মী। “ঋষিকেশকী খোঙচত্তা হিমালগী বদ্রিনাথ লম্বীদা বসিষ্ট শুরুংদা লৈবা স্বামি পুরুশোটমানন্দবু ঐনা দর্শন পীবিরম্মী। ঐনা সিবানন্দ আশ্রমদা লাকই তাবদা, মহাক্না ঐবু দর্শন য়াম্না তৌজনিংলম্মী। মরম অদুনা মহাক্না চে মচেৎ অমদা ইরগা থারক্লম্মী। “ভগবান মফম অসিদা লাকপিদুনা ঐবু দর্শন পীনবিয়ু”। ঐঙোন্দা লৈজরিবা মহাক্কী ভক্তিগী থাক অদু ঐনা খঙলম্মী। ঐনা চে মচেৎ অদু উবগা বসিষ্ট শুরংদা চত্তুনা নুমিৎ নিনিগী দর্শন পীনবিরম্মী।” ভক্তি অমসুং নুংশিবগা লোয়ননা কৌবদা ভগবান্না পাওখুম হেক্তা পীনবী।

১৭। ঈশ্বরগী মতিক–মগুনদি ঙমখৈ লৈতে। নুংশিববু য়োকখৎলু, নুংশিবদা হিংউ, নুংশিববু শন্দোকউ মদুনা অধ্যাত্মিক্কী হোৎনজবা ওইদুনা খ্বায়দগী কান্নবা ফঙগনি। নহাক্না ঈশ্বরগী মিংখৈ শোনবদা, মহাক্কী চীংলেম্বা, মীনুংশি, মতিক–মগুন, থোইদোক হেন্দোকপা থবক পাংথোক’ঙম্বা, মফম খুদিং শিন্থুংনা লৈববু নীংশিংদুনা শোল্লবদি অশেংবা নুংশিবদু নথম্মোয়দা মরা লুনা তাদুনা, মশা–মরেং পাক–শন্না শন্দোক্তুনা, মরুপ মপাং অমদি য়েক্লবনচিংবা লোয়ননা ইরৈপাক অমসুং মীরৈপাক মচাশিংদা শান্তিগী চংজফম ওইহনগনি। ঈশ্বরগী মশিং লাকঙমদবা শকওং–শক্তমশিং লৈ, মখোয়না মমিৎ পাংথোক্না অমসুং উইশিন্না ঈশ্বরবু উরিবনি। তাইবং জীবনা মখল–মখাগী মান্নদবা লোল কয়ানা মহাকপু থাগত্তুনা শৈথারবশু, মহাক্কী মতিক মগুন্দি ময়েং কদৌঙৈদা তাদে।

১৮। য়াম্না কুপ্না থিজিল্লবদি খঙবা ঙমগনি মদুদি, দান তৌববু ওইরবসু, অশেংবা লাইশোন তিনশোন ওইরবসু, লাই নিংববু ওইরবসু, লৌশিং–জ্ঞানবু ওইরবসু, থম্মোয় শেংনা অচুম্বদা লুপ্তুনা লৈবা ওইরবসু অমসুং সনাটন ধর্ম্ম ওইরবসু, মালেমসিদা নুংশিবগা মান্নবা লৈতে। মালেমসিদা নুংশিবদগী হেন্না চাওবা ধর্ম্ম অমা লৈতে। নুংশিবা অচুম্বনি, নুংশিবা ধর্ম্মনি, নুংশিবা লননি। মালেম অসি নুংশিবদগী হৌরকপনি, নুংশিবদা হিংলিবনি অদুগা নুংশিবদা তিনখিগনি। পিকখ্রবা এটোম খুদিং নুংশিবদগী হৌরক্লিবনি। এটোমগী শক্তি, য়োৎচাবীগী শক্তিনচিংবা মশিং লাকঙমদ্রবা শক্তি কয়া লৈরিবনি। থাজবা অমসুং নুংশিবা য়াওদবা পুন্সিদি কান্নদ্রবা অমসুং আর্থ লৈত্রবনি। মালেমসিদা মীওইবগী পুন্সিদি নুংশিবনি, নুংশিবনা খুদিংমক্লি। খুদিংমকপু শাগৎলিবা, পঞ্চভুৎ (মৈ, ঈশিং, নুংশিৎ, অতিয়া অমসুং পৃথিবী) নুংশিবদগী হৌরকপনি। মীপুম খুদিংদা মঙাল নাইহল্লিবসি নুংশিবননি। অদুবু মীনা নুংশিবগী মতিক–মগুন খঙবা ঙমদবা মরম্না হকচাংগা মরী লৈনবা অসিতমক শীংথানৈ। মমাগা মচাগা লৈনরিবা নুংশিনবা অসি নুংশিবদা অপাম্বা য়াওবনি, নুপা অমসুং নুপীদা লৈনরিবা নুংশিবদা, খঙদবা অপঙবা য়াওবনি, মরুপ–মপাংগী মরক্তা নুংশিনবা অসিনা নুংশিবদা লীচিং অমা য়াওবনি অদুগা করিগুম্বা পোৎশক অমদা নুংশিবনা অপাম্বনি। ঈশ্বরগী মায়কৈদা ওনশিনবা নুংশিবনা ভক্তিনি।

১৯। স্বামিনা তত্তনা হায়রিবাঃ নুংশিববু পাকথোক চাওথোকহল্লু হায়বসিদা, মীওই খরনা নুংশিবা হায়বসিসু করম্বা মওংনো খনবদা অঙকপা ফাওবা য়াই। মসিগী পাউখুমদি, নুংশিবা ঈশ্বরনি, ঈশ্বর নুংশিবনি। নুংশিবা হায়বসি খুদিংমক্কী য়ুম্ফমনি। আত্মা, ব্রহ্মা, থম্মোয় হায়রিবসি নুংশিবগী অতোপ্পা ৱাহৈশিংনি। নুংশিবা অসি আত্মানি। নুংশিবা ব্রহ্মানি। খুদিংমক নুংশিবদা লৈরিবনি অদুনা নুংশিবগী মওং–মতৌ কনানা শন্দোক্না তাকপা ঙমগদৌরিবনো? নুংশিবগী নিয়মদি খুদিংমক্তা চপ মান্ননা লৈরিবনি। খুদিংমক অমত্তনি হায়বগী নিয়ম অসি নহাক্না অমুক্তং খঙখিবদা, নুংশিনদবগী মরম অমত্তা লৈরোই। নুংশিবা হায়রিবা, অশেঙবা, পোৎয়ান য়াওদবা, মতম পুম্বগী ওইবা, লীরবা, মওং–মরিন নাইদবা অমসুং অনিশুদবা পোৎশক অদুমক নহাক্লি। নহাক্কী নমাবু নহাক্না থাজবা মরম্না মহাকপু নুংশি। মরম অসিনা থাজবনা নুংশিবগী য়ুম্ফমনি। নুংশিবগী নিয়মদি ঐখোয় খুদিংদা চপ মান্ননা লৈরিবনি। নুংশিবগী নিয়ম’খাদা নৎত্রবদি নহাক্কী অধ্যাত্মিক্কী হোৎনজবা খুদিং অরেম্বা ওইদুনা তোকই।

২০। ঈশ্বরঃ নুংশিবগী শক্তম লাংবনি। নহাক্না মহাকপু নুংশিবগী খোঙখক্তদা খঙবা ঙম্মী। থাজগী মঙাল অদুমক্না নহাক্না অতিয়াদা থোক্লিবা থাবু উবা ফঙবা নত্তনা টোর্চলাইট, লেন্টর্ন নৎত্রগা পেট্রোমেক্সকী মঙালনা থাবু উবা ফঙলোই। অসিগুম্না, নহাক্না নুংশিবগী শক্তম লাংলিবা ঈশ্বরবু উবা পাম্লবদি, নুংশিবগী থোঙখক্তদা উবা ফংগনি। নুংশিবদগী হেন্না মশেক মঙাল লৈবা মালেমসিদা অমা অমুক লৈতে। নুংশিবনা ইমানি, অচুম্বনা ইপানি, নুংশিবিবনা ইচে–ইচলনি অদুগা নুংঙাইবনা ইচিল–ইনাওনি হায়না খল্লু। নহাক্না অসিগুম্বা মতম পুম্বগী ওইবা লেঙদবা মরীশিং অসি লৈবা মতমদা মায়া সংসারগী ’হোঙবা নাইবা মরী–মতাশিং শেমগৎলুবগী করি দরকার ওইরি?

মথং মথং....

# স্বামী বিবেকানন্দগী মীৎয়েংদা নুপীশিংনা মীকপ থোকপা অমসুং নুপীশিংনা চাওখৎলকপা

**ডা. শগোলশেম কুলচন্দ্র সিংহ**

ভারত্তা নুপীশিংনা মীকপ থোকপা অমসুং নুপীগী মগুন নিংথিরবা নুংশিরবা যন্ত্রগী খোম্থোকনি। মতাং অসিদা স্বামী বিবেকানন্দনা নুপী কাঙলুপকী মরমদা মতিং লৈনা হায়রম্বা নীংশিংসি– ***“নুপীশিংবু পূজা তৌবতনা জাতি পূম্বা চাওখৎলমখি। নুপীবু পূজা তৌদবা লৈবাক অদুগী জাতি অদু কৈদৌঙৈদা চাওখৎপা ওইখিদে অমসুং ঙমসু ঙম্রোই।”*** স্বামীজীনা পূক্লিং হকচাং য়াওনা থাজরমই। মদুদি নুপীশিংগী মরমদা করিগুম্বা মখলগী ইকাইখুম্নবা থমদবা লৈবাক অদু চাওখৎপা ঙমদে। মালেমগী য়াইফবা হায়বা অসি নুপী কাঙলুপ অসিনা চাওখৎলক্ত্রবদি ওইথোক্লিংঙাই ওইদে।

সমাজদা নুপীশিংগী ফিভম তোপ–তোপই। হিন্দুগী ৱাখল্লোন্দা নুপীশিং অসি পাঙ্গল লৈতবী নত্তে, পাঙ্গল কনবীনি। মহাক্তি শেমগৎ–শাবনি, অঙাং পোকপী থাকপীবনি। স্বামীজীনা তাকপীরমই মদুদি– গরুড হায়বা উচেক্কী মশা অনিনা কোয়না পাইবা ঙম্বগুম্না মশা অনিমক শক্তি লৈবা তাই। শম্না হায়রবদা নুপী অমসুং নুপা অনিমক শক্তি লৈবা তাই মদুতদা মতিক চাবা, গুন লৈবা শিক্ষা ফংনবা হোৎনবা তাই। তৌইগুম্বসুং চহি লীশিং অমা হেন্না লাম্থেংনরবা ফাওবদা হিন্দু সমাজগী মশাগী ৱাখল্লোন মাঙখ্রে। শম্না হায়রবদা নুপীগী থৌনা লৈরক্ত্রে। সমাজ অমবু শেমগৎ শাগৎপদা নুপীশিংগী থৌদাং অদু সমাজ অসিনা খঙন্নবা হোৎনবদা খাংবা ঙমদ্রে।

নীংতমদ্রিঙৈগী মমাঙদা মীয়াম পূন্নমকপু মীকপ থোকহল্লম্বী, ভারত ইমাগী অমত্তা ঙায়রবা মহাপুরুষ সেবক, মরৈবাক নীংবা, জাতি শেম্বা, সমাজবু মুন্না খঙবা, মপূং ফাবা ওগর্নাইজর, শ্রীরাম কৃষ্ণ পরমহংসকী অথোইবা শিষ্য ভক্ত স্বামী বিবেকানন্দনা ভারতপু অমুক হন্না য়াকাইহনবগী মতাংদা নুপীশিংবু য়াকাইহনবা খ্বায়দগী মরু ওইবনি হায়না লৌই।

স্বামীজীনা খঙলমই মদুদি লাইরিক–লাইশু হৈতবা হীরম খুদিংমক্তা শোখহৌরবা শক্তি লৈজদ্রবা, ফক্লাং মরিনা কোয়শিনবদা লৈরিবা মমাশিংগী মতম্বাক্তা চাওরকপা নুপা খুদিংমক শক্তি লৈতবা অমদি নোংম–নোংমগী শোঞ্জিল্লক্লে। মখোয়না মতম অসিমক্তদা নুপীশিংবু মীকপ থোক্লবগীদমক খোল্লাও লাওরি।

স্বামী বিবেকানন্দনা ২৫ মার্চ ১৮৯৪ দা ডিট্রাইট, ফ্রিপেস কনফরেন্সতা ভারতকী নুপীশিংগী মরমদা অসুম্না হায়রমই–

“নোংচুপলোমগী নুপীদি সুপ্নগী নুপী অমগী শক্তমনি। ভারতকী নুপীশিংদি মমা অমগী শক্তমনি, মহাক্কী মচাশিং য়োক–থাক্তুনা লেল্লি। মসি নত্তনা করিগুম্বা অমত্তা পান্নমদে। মরম অসিনা নোংচুপ অমসুং ভারতকী নুপীশিংগী গুন চাংদম্নবা য়াদে। হিন্দু সমাজনা নুপীশিংবু ইমাগী শক্তমদা পূজা তৌই অদুগা সন্যাসিশিংসু মহাক্না মহাক্কী মমাগী মাঙদা কোক নোন্দুনা খুরুমই। ভারতবর্ষদা নুপীশিংনা মপুরোইবশিংবু ইকাই খুম্নে। ভারতবর্ষদা নুপীশিংবু ঈশ্বরগী শক্তমনি, ইমানি। ভারতকী নুপীশিংদা আমেরিকাগী নুপীগুম্না ফি তঙ্খায় অমা লৌথোকউ হায়রবদি শীজবনা ফগনি হায়গনি।

হিন্দুশিংদা মমা অমা ওইবগী লেপ্লবা মত অসি তম্বী। ইমা হায়বসি মহাক্কী নুপীদগী হেল্লি। ইমা হায়বসি য়াম্না শেংলবনি। শম্না হায়রবদা লৈবাক অমগী শেমগৎ শাগৎপদা নুপীগী থৌদাং খ্বায়দগী মরু ওইবনি। সংসারগী ইতিহাসতা নুপী ওইবগী ফিদমনিংঙাই ওইবা ৱাফম অসি খ্বায়দগী লীরবা ভারতকী আর্য জাতিদা লৈ। মাতৃদেব ভব, পিত্রিদেব ভব, আচার্যদেব ভব– ইঢাদি লাইনি, ইপাদি লাইনি, ওঝাদি লাইনি হায়রম্লিবনি। জাতি অদুদা নুপা–নুপী অনিমক পুরোহিত ওইরমই। বেদদা নুপীবু সহধর্মী হায়না খঙনৈ। ঈশ্বর খুরুমজরগা পোকপদি মহাক অদু আর্য্যনি অদুগা নুংশিগনবা নুপাদগী পোকপনা অনার্যানি। ঐহাক অসি অফবা হিন্দু খুদিংমক্না থাজে মদুদি ইমা হায়বসি য়ামনা তশেংবনি মরম অসিনা ঐহাক্না ওইরিবসি ইমাগী লমন তোল্লবনি। মসিনি নুপী ওইবা জাতিগী অথুপ্পা সতীত্ব।

ঐখোয়গী লৈবাক অসিদদি মহৈগী লাইরেম্বী সরস্বতী, লনগী লাইরেম্বী লক্ষ্মী, লানগী লাইরেম্বী দুর্গানি, ঐখোয়না ইমা হায়না পূজা তৌই। স্বামী বিবেকানন্দগী মমা ভুবনেশ্বীরনা বীরেশ্বর মহাদেব খুরুমজরগা নরেন্দ্রনাঠ (বিবেকানন্দ) পোকখি। ঈশ্বরচন্দ্র বিদ্যাসাগরসু লাইনিংবী অমগী মচানি, পুতলিবাইনা ঈশ্বর নীংজদুনা মোহনদাস করমচান্দ গান্ধি পোকখি। ঈশ্বরম্মা কৌবী খুঙ্গংগী নুপী অমনা সত্যনরায়নগী পূজা তৌজরগা সত্য সাই বাবা পোকখি। স্বামী বিবেকানন্দনা ইমা কালিবু নিংজদুনা পৃথিবীবু জয় তৌখি।

স্বামীজীনা হায়বীরমই মদুদি সীতা পোক্লম্বা জাতি অদুদা নুপীশিংগী ইকাইখুম্নবা অমদি থাজবা লৈবদু সংসার অসিগী মফম অমত্তদা লৈতে। ভারত্তা নুপীশিংগী ফিদমদি অহৌবনি অমদি অরোইবনা মতিক মগুন লৈবা মমানি। নোংচুপকী লৈবাকশিংদা য়ুমগী মবেম্মা অমদি সাশন তৌরিবা নুপীনি। ভারতকী য়ুমশিংদা য়ুমগী মবেম্মা অমদি সাশন তৌরিবা মমানি। মালেম অসিদা অপোকপী ইমাগী মিংদা য়াম্না শেংলবা অমদি থোৎলবা শক্তম অসি ভারত্তা লৈরিবা মমা অমা ওইবগী গুন অসি ফিদমনিংঙাইনি।

নুপীশিংবু অৱাংবা থাক্তা থাঙ্গৎপা অমদি মীচম প্রজাশিং মীকপ থোকহনবতদা লৈবাক্কী অফবা ওইগনি। ভারত্তা লৈরিবা নুপীশিংদা চথরিবা অত্যাচার অসি অফবা শক্তম নত্তে। ঙসি নুপীশিংগী ঙাক শেন্ননবা হোৎনরি। ৱাফম অসি ভগিনী বিবেদিতাগী ৱাখল্লোন অমদি মহাক্না তৌরম্বা থবক থৌওং কয়া ঐখোয়না নৈনবা তাই।

শ্রীরামচন্দ্রগী হেক মথংদা তুংইল্লকপা স্বামী বিবেকানন্দনা ভারতকী লীরবা মীরোন (ইপা ইপুগী) চৎনরকপা সভ্যতা অমদি সংস্কৃতি অমসুং অসিগুম্বা ৱাখলগী ঈচেল অসিদা মপুং ফারদুনা মালেম পূম্বা অসি অনৌবা মায়কৈগী ঙমখৈগী ৱাংমদা ঙালহল্লম্লে। ভারতকী সন্যাসীগী কাঙলুপ অসিনা মাগী মাগী লাইনিংগী লম্বীদা অপনবা পী হায়রগা ৱাখলদা নুপী কাঙলুপ অসিবু লাপ্না ইম্থোক্তুনা থম্বীরম্মী। অমরোমদা হায়রগা নুপীশিংবু থৌওইবীরমদে। অদুম ওইনমক পূন্নমক্তগী অচুম্বদি সমাজ অসিবু শেংদোক্লে হায়রবদি নুপী কাঙলুপ অসিবু মীকপ থোকহনবা য়াকাইহনবা চঙই। ভারতকী নুপীশিং অসিনা মীকপ থোক্ত্রবদি ভারত অসে হৌগৎলরোই। মীকপ থোক্লরোই। নুপীবু হৌদোকপগী মরমদা মখল মখাগী মত পীনৈ। তৌইগুম্বসুং ঐখোয়না নুপীশিংবু য়াকাইহনবগী মরমদা অকক্লবা নীয়ম থম্বা তাই।

১। সমাজদা নুপী অমসুং নুপাশিংবু মান্নবা, ইকাইখুম্নবা, অধিকার মান্নবা অমসুং থাক মান্নহনবা,

২। নুপী ওইবীশিংবু মহৈ হৈহনবা,

৩। নুপীগী নুঙদা তুমদুনা লৈরিবা পাঙ্গল অসিবু হৌগৎহনবা,

৪। নুপী ওইবীশিংবু ইমাগা মান্নবা থাক্তা থম্বা,

৫। নুপী ওইবীশিংবু লৈবাক্কী মীরোন–মীরোন্দা চথরিবা অসি মতুংইন্না মান্নবা থাক্তা থম্বা।

নুপীবু মীকপ থোকহনবগী মতাংদা ইতিহাসকী লামায়শিংদা হাংদোক্তুনা অৱাংবা থাক্তা ইকাই খুম্নরমই। পুন্সিগী থবক খুদিংদা নুপীশিংবু নিপামচাশিংগা মান্ননা খুদোংচাবা ফংলমই। অদুগা লাইরিক লাইশু মহৈ অৱাংবা থাক্তা ফংহল্লমই হায়বসি লোপামুদ্রা, বিশ্ববারা, লিলাবতি, ঘোষনগুম্বা মহৈ হৈবী নুপীশিং থোঙনৈ। উপনিষদকী যুগতসু নুপীশিংগী ফম্ফম ৱাংনা লৈরমই। ব্রহ্মবাদিনি, গার্গী, মৈত্রেয়ী অসিনচিংবা অসি ময়াম্না খঙনরিবনি। মখোয়শিংসি তৌগেদা ঙম্বীনি অমসুং শাস্ত্র পূম্বা হৈবীনি।

মথং মথং....